### সব-জুনিয়র নেসনল ৱিমেন্স হোক্কী

# মিজোরাম, চান্দিগর, পঞ্জাব ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস):
মণিপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা চথরিবা ১২শুবা হোক্কী ইন্দিয়া সব-জুনিয়র ৱিমেন্স নেসনল চেম্পিয়নশিপকী ঙসি তোঙান-তোঙানবাগ্রুপ অহুমগী লীগ মেটচশিং লোইশিনখিবগা লোয়নना হোক্কী চান্দিগর, হোক্কী পঞ্জাব অমদি হোক্কী মিজোরামনা গ্রুপকী ৱিন্নর ওইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।



চান্দিগর অমদি পঞ্জাবনা পুল এফ, জিগী পূন্না মেটচ ২/২ শান্নবদা মেটচ অনীমক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৬/৬ ফংলগা গ্রুপকী ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি। মিজোরামনা গ্রুপ ঐচকী পূন্না মেটচ ৩ শান্নবদা অহুম্মক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা গ্রুপকী ৱিন্নর ওইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টেদিয়মদা ঙসি নুংথিল শান্নখিবা পুল ঐচকী মেটচ অমদা হোক্কী মিজোরামনা হোক্কী কর্নাটাকাবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা ক্বার্টরগী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখি। অনীশুবা ক্বার্টরদা মিজোরামগী সোমিয়া ঐচ ভিনা শান্নবগী ২১শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা কর্নাটাকাবু ১-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

টিম অনীনা মখা তাবা অহুমশুবা ক্বার্টরগী শান্নবদা গোল হাপচিনবা ঙম্ন খিদ্রবা মতুং অরোইবা ক্বার্টরদা মিজোরামগী সোমিয়ানা মেটচ লোইরমদাই ৫৯শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনখিবগা লোয়নना কর্নাটাকাবু ২-০দা মায়থীবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, পুল এফকী ঙসি অয়ূক শান্নখিবা মেটচ অমদা হোক্কী চান্দিগরনা হোক্কী য়ুনিট ওফ টামিল নাদুবু ১০-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা ক্বার্টরগী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখি। অনীশুবা ক্বার্টরদা সুপ্রিয়ানা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংদগী শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা চান্দিগরগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্কা মখা তানা শান্নবগী ৪৩ অমদি ৪৬ শুবা মিনটতা গোল ২ অমগা হাপচিনবা ঙমখি।

তমন্নানা ফিল্ড গোল অমা শান্নবগী ২৯ শুবা মিনটতা চনশিন্দুনা চান্দিগরগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্কা মখা তানা শান্নবগী ৪৭ অমদি ৫৭ শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল ২ অমগা চনশিনবা ঙমখি অদুগা কেপ্টেন কমলদিপ কোরনা শান্নবগী ৩৭, ৪৪ অমদি ৫১ শুবা মিনটতা গোল ৩ চনবা ঙমখি। নবনিট কোরনা ফিল্ড গোল অমা শান্নবগী ৫৮ শুবা মিনটতা চনশিন্দুনা টামিল নাদুবু ১০-০দা মায়থীবা পীখি।

অতোপ্পা পুল ঐচকী ঙসি অয়ূক শান্নখিবা মেটচ অমদা হোক্কী বিহারনা তেলঙ্গনা হোক্কীবু লাকচনা ১৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

### আই বি এ ৱিমেন ৱর্ল্ড বোক্সিং

# নিখট জারিন, মনিশা, পর্ভিন সেমীফাইনেল চঙখ্রে

ইষ্টানবুল, মে ১৬ (এজেন্সী):
টর্কিনা য়ূম্বু ওইদুনা চথরিবা আই বি এ ৱিমেন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা ইন্দিয়াগী বোক্সর নিখট জারিন (কেজি ৫২), মনিশা (কেজি ৫৭) অমদি পর্ভিন (কেজি ৬৩)না মখোয়গী লম্বা মায়থীবা পীরম্লগা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।



ইন্দিয়াগী বোক্সর অহুম্না ঙসিগী মায় পাকপা অসিনা মরম ওইরগা চেম্পিয়নশিপ অসিদা মেদল ৩ দি শোয়দনা ফংবা ঙল্লগনি।

নিখট জারিননা কেজি ৫২গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা ইংলেন্দগী চার্লি-সিয়ান দেভিসনবু য়ুনানিমস দিসিজন ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়াগী অহানবা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

মমাং চহীদা পাঙথোকখিবা ষ্ট্রাঞ্জা মেমোরিএল টুর্নামেন্টতা গোল্ড মেদল ফংলকখিবী চহী ২৫ শুরবী তেলঙ্গনাগী বোক্সর নিখটনা দেভিসনবু মহাক্কী অৱাংবা ফিজিকেল বাউটতা মায়থীবা পীরমখিবনি। বোক্সর অনীনা অহানবা রাউন্দগী শান্নবদা চপ মান্ননা এটেক চথনখি। অদুবু অনীশুবা রাউন্দদা নিখটনা মহাক্কী ওপোনেন্টবু তমথীবা বোদি শোট অমা পীদুনা মহাক্কী ওপোনেন্টবু শোন্থহন্দুনা লায়না মায় পাক্তুনা সেমীফাইনেল চঙলকখিবনি।

বাউটকী মতুং নিখটনা ফোঙদোকখিবদা, ঐগী ওপোনেন্টনা ঐঙোন্দগী ৱাংবা হেনবনা মহাক্কী পাঙ্গল ওইরিবা য়েৎ থংবা খূৎ থিংবা অসি মহাক্কী ষ্ট্রেটেজি ওইখি। ঐনা ইন্দিয়াগী অহানবা মেদল ফংগদৌরিবা অসিদা নুংঙাইবা ফাওই অমদি চেম্পিয়নশিপ অসিদা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমগনি থাজে হায়খি।

হান্নগী জুনিয়র ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন নিখটনা ব্রাজিলগী কেরোলিন দি অলমৈদাগা সেমীফাইনেল বাউটতা লম্বা তৌনরগনি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা কেজি ৫৭ কাঙলূপকী ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা ইন্দিয়াগী চহী ২৪দা ঙাইরিবা মনিশানা মহাক্কী লম্বা মোঙ্গোলিয়াগী নামুন মোনখোরবু স্প্লিট দিসিজন ৪-১দা মায়থীবা পীখি। মনিশানা ইটালিগী ইর্মা টেষ্টাগা সেমীফাইনেল বাউটতা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা ইন্দিয়াগী মরিশুবা বাউটতা চহী নৌরিবা পর্ভিননা কেজি ৬৩গী ক্বার্টর ফাইনেলদা টাজিকিষ্টানগী সোইরা জুলকেনারোভাবু য়াম্না নক্লবা মাজিন্দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখি।

অমরোমদা য়ুঠ ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অনীরক ওইখ্রবী ইন্দিয়াগী বোক্সর নিতুনা ঙসি শান্নখিবা কেজি ৪৮গী ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা কাজখষ্টানগী এসিয়ন চেম্পিয়ন অলুৱা বালকিবেকোভাগী মখূৎতা স্প্লিট ভর্দিক্ট ২-৩দা মায়থীদুনা মহাক্কী কেম্পেন লোইশিনখি।

অতোপ্পা এসিয়ন চেম্পিয়ন অনীরক ওইখ্রবী ইন্দিয়াগী বোক্সর পুজারানীসু কেজি ৮১গী বাউটতা অষ্ট্রেলিয়াগী জেসিকা বেকলিগী মখূৎতা ২-৩দা মায়থীদুনা কেম্পেন লোইশিনখি।

ইন্দিয়াগী বোক্সর অহুম - অনামিকা (কেজি ৫০), জাইসিমিন (কেজি ৬০) অমদি নন্দিনি (কেজি ৮১ মথক)না মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল বাউটশিং ঙসি নুমিদাং অথেংবদা শান্নরগনি।

# সঙাই ট্রোফিগী মেটচ মখা চত্থরগনি

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস):
য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন মণিপুরনা শীন্দুনা ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা পাঙথোকপা ৪শুবা সঙাই ট্রোফি ভেটরান ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ নোং-চীংগী ফীভম্না য়েথোক্তুনা লাকখিবা অদু থা অসিগী ১৭তগী হৌদুনা মখা চত্থরগনি।

থা অসিগী ১৭তা গ্রুপ এগী মেটচ ২ শান্নগনি। অহানবা মেটচতা টি বি এস এফ এ তৌবুংখোক অমদি ফুটবোল লভর্স এসোসিএসন মণিপুর নুংথিল পুং ২দা লম্বা তৌনরগনি। অনীশুবা মেটচ নুংথিল পুং ৩.৩০দা ওল থাংমৈবন্দ ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন (এ টি ভি এফ এ) থাংমৈবন্দ অমদি ভেটরান সোক্কর এসোসিএসন (ভি এস এ) সোরা অনীনা থেংনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ১৭না গ্রুপ ৪ থোক্তুনা শরুক য়ারি।

# খুঞ্জাঙানবী, জানকিবালা খনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস):
অসামগী গুৱাহাটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা হিরো জুনিয়র অন্দর ১৭ ৱিমেন্স নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২২দা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াগদৌরিবা ষ্টেট জুনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল টিমগী ওফিসল ওইনা টি ঐচ খুঞ্জাঙানবী অমদি আর কে জানকিবালা খনখ্রে।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনना খুঞ্জাঙানবীবু ষ্টেট টিমগী মেনেজর অদুগা জানকিবালানা টিম কোচ ওইনা খনখিবনি।

# কে পি এ সাইকুলনা মার মার্টিয়র্স ফুটবোলগী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস):
মার মার্টিয়র্স ট্রোফি ওর্গনাইজিং বোর্দনা শীন্দুনা ৩২শুবা মার মার্টিয়র্স দে ওবজর্ভেন্সকী শরুক অমা ওইনা চূড়াচান্দপুরগী সাইকোট প্লেগ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ৭শুবা মার মার্টিয়র্স ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা কে পি এ সাইকুলনা সিম্পোরিয়া এফ সীবু ১-০দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।




পাওলিয়নলাল খোংসাইনা কে পি এগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু চনবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা পাওলিয়নলালনা পূন্না গোল ১০ চন্দুনা খ্বাইদগী য়াম্না গোল চনবা শান্নরোয় ওইখিবগা লোয়ননা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি। অদুগা কে পি এগী গোলকিপর কেনেদিনা বেষ্ট গোলকিপরগী মনাসু ফংবা ঙমখি। কে পি এ সাইকুলনা পূন্না মেটচ ৬ শান্নখিবদা গোল ২৮ চনবা ঙমখিবনি।

শেফার্দ ফুটবোল একাদেমিনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফ্যের প্লেগী মনা ফংবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ১৮না শরুক য়াখি। ৱিন্নর ওইখিবা কে পি এ সাইকুলদা ট্রোফিগা লোয়নना লুপা লাখ ১গী শেলগী মনা খূৎশিন্নখি।

মার মার্টিয়র্স দে ওবজর্ভেন্সকী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচকী মাংওইননা ফুটবোল গ্রাউন্দ মনাক্তা লৈবা মার মার্টিয়র্স টোমদা মার কলচরেল ৱারিয়রশিংনা গন সেল্যুট পীদুনা ইকাই খুম্নখি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা সাইকুল এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী হন্দক্তা নৌনা কুকি পীপলস এল্লাইন্সতগী মায় পাক্লকখিবা এম এল এ কিমনিও হাওকিপ হংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা লমদম অদোমগী য়াম্লবা মীয়াম্না শরুক য়াখিবগা লোয়নना ফুটবোলগী ফাইনেল মেটচসু মীৎয়েং তাখি।

# ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট প্লেয়র ট্রান্সফর জুন ১দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনদা এফিলিএট তৌবা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএসনশিংগী মনুংচন্না লৈবা ক্লব অমদগী অমদা প্লেয়র ট্রান্সফর তৌবগী অহানবা ৱিন্দোগী মতম চহী অসিগী জুন ১দগী ৩০ ফাওবগী নুংথিল পুং ১দগী ৪ ফাওবা ওইরগনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন অমদি দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনশিংনা মখোয়গী শান্নরোয়শিংগী ইন্টর ক্লব ট্রান্সফর অমদি লোন জুন ১৫দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্লবা খঙহল্লক্লি।

ট্রান্সফর তৌগদবা শান্নরোয়শিংনা পাসপোর্ট সাইজ ফোটো অমমম্গা লোয়নना মখোয়না হান্না য়াওরম্বা ক্লবশিংদগী নো ওবজেক্সন সর্টিফিকেট কোপীগা লোয়নরক্তুনা ট্রান্সফরগী এপ্লিকেসন ফোর্ম মেনশিনবা মতমদা শুকশোয় শোয়দনা অম্ফাগী ওফিসতা লাক্লবা খঙহল্লক্লি।

শান্নরোয়শিংগী ট্রান্সফর অমদি লোন ফী অসি লুপা ২,৫০০ ওইগনি। মখোয়না ফীগী পেমেন্ট অসি কেশতা নৎত্রগা অম্ফাদা ফেভর তৌবা সেদ্যুল্ড বেঙ্ককী বেঙ্ক ড্রাফট ওইনা পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

# ভিনেশ, সকশি, অন্সু ট্রায়লদা মায় পাক্তুনা সী দব্লিয়ু জিগী ক্বালিফাই ওইখ্রে

কোলকাটা, মে ১৬ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ৱিমেন রেষ্টলর- ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট ভিনেশ ফোগট, ওলিম্পিক ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট সকশি মালিক অমদি ৱর্ল্ড সিলভর মেদলিষ্ট অন্সু মালিকনা মখোয়গী সেলেক্সন ট্রায়লদা মায় পাক্তুনা কমনৱেল্থ গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।



লক্ষ্ণৌদা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ট্রায়লদা মমাং চহীদা য়েৎ থংবা এলবো সজরি তৌদুনা টোকিও ওলিম্পিক্সতা ফজবা পর্ফোর্মেন্স পীবা ঙমখিদবী কমনৱেল্থ গেমসকী চেম্পিয়ন ভিনেশনা অনটিম য়াওনা রেষ্টলর ৪ মায়থীবা পীরম্লগা কেজি ৫৩গী কাঙলূপ্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।

সকশি মালিকনা সঞ্জু দেবী, কুসুম, নহা ওইরিবী ওলিম্পিয়ন সোনম মালিক অমদি হান্নগী রাইভেল মনিশা (ফাইনেলদা ৭-৩)দা মায়থীবা পীরম্লগা কেজি ৬২গী কাঙলূপ্তা কমনৱেল্থ গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি।

অন্সু মালিকনা য়াম্না লায়না মহাক্কী ওপোনেন্টশিংবু মায়থীবা পীরম্লগা কেজি ৫৭ কাঙলূপকী ক্বালিফাই ওইখি।

কমনৱেল্থ গেমস অমদি এসিয়ন গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট দিভ্যা কক্রননা মহাক্কী লুহোংলবা মতুং অমুক হল্লক্তুনা সোনিকা হূদা, নাইনা, রাধিকা অমদি নিশা দাহিয়াবু (ফাইনেলদা ১০-০)দা মায়থীবা পীদুনা কেজি ৬৮-গী কাঙলূপকী মফম কনবা ঙমখি।

চীফ কোচ জিতেন্দর য়াদবনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী অকনবা স্কৱাদ অসিনা কেটগোরি খূদিংমক্তা মেদল লৌরক্কনি থাজে অমদি কমনৱেল্থ গেমস অসিদা য়ামদ্রবদা গোল্ড মেদল ৪ ফংবা ঙমগনি হায়খি।

# আই ও সী সেসনদা রসিয়ন মেম্বরশিং শরুক য়ারগনি

বর্লিন, মে ১৬ (এজেন্সী):
রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দারবসু ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী চয়োল অসিগী মনুংদা পাঙথোক্কদৌরিবা সেসন অসিদা রসিয়ন মেম্বরশিং শরুক য়ারগনি হায়না ওলিম্পিক বোদিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিদা হান্নগী পোল ভোল্টকী ওলিম্পিক চেম্পিয়ন য়েলেনা ইসিনবায়েভা অমদি শামিল টর্পিচেভ য়াওনা হৌজিক-হৌজিক মেম্বর অনী লৈরি। মতম শাংনা হান্নগী মেম্বর ওইরম্বা ভাইটালি স্মর্নোভসু আই ও সীগী ওনরেরি মেম্বর ওইদুনা লৈরি।

রসিয়ন আই ও সী মেম্বরনা সেসন অসিদা শরুক য়াবগী মতাংদা রোইটর্সনা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা আই ও সীগী স্পোক্সপর্সননা ফোঙদোকখিবদা, ওলিম্পিক চার্টরগী মতুংইন্না ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী মেম্বরশিং অসি মখোয়-মখোয়গী লৈবাকশিংগী রিপ্রজেন্টেটিভশিং নত্তে হায়খি।

মখোয়শিং অসি আই ও সীনা ইন্দিভিজ্যুএল ওইনা খল্লবা মতুং মখোয়-মখোয়গী লৈবাকশিংগী আই ও সীগী এম্বেসেদরশিংগী দেলিগেট ওইবনি। পনবা য়াবদি, ফেব্রুৱারী থাদগী য়ুক্রেনদা লান্দারবা মতুং স্পোর্টস বোদিশিংনা রসিয়াদগী ইভেন্টশিং হোংদোকহনখিবনি।


ADMISSION OPEN
PHOENIX ENGLISH COACHING
FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK
Detailed explanation of every lesson
Complete discussion of exam-related questions
Free supply of printed questions and answers
Weekly exam-oriented tests.
Nowhere can you find such English coaching class.
CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.
6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM
HL-B/7616/23/4-21/5 PLEASE CONTACT 8974642764

CAS Centre for Advanced Studies
No.1 in Manipur
CAS Main Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal
ADMISSION IS GOING ON
SPECIAL FOUNDATION COURSES
Seats are Limited First Come First Served
CLASS XII (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng)
CLASS XI (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng)
CLASS X (English, Mathematics, Science & Social Science)
Special features:
- Special Concession for all Students
- Qualified & Experienced Faculties
- Exam. Oriented Study Materials
- Weekly and Monthly Test Series
- Targeted Suggestion for Final Exam
- Vision for toppers in 2023
Classes commencing from 28th April, 2022
Morning Batch (4.30-7.00) A.M. | Evening Batch (4.30-7.30) P.M.
Hostel for BOYS & GIRLS Available
For Details contact:- CAS Office, Centre for Advanced Studies Keishampat Junction, Imphal (Mayai Lambi Road Machin.)
HL-B/7610/21-19

CUET
COMMON UNIVERSITY Entrance Test CUET (UG) - 2022
(To be held in the month of July - 2022 by NTA)
FORM ISSUE :- 20/04/2022
CLASS STARTS :- 16th May, 2022
ELIGIBILITY :- Class XII passed/appearing
SHIFT :- 7.00 am - 9.30 am & 2.00 pm - 3.15 pm
NTA CUET (UG)
Common University Entrance Test 2022
Under Graduate Tests
for DU, JNU, Jamia Millia, BHU, AMU and All other Central Universities (CUs)
SPECIAL FEATURES:-
1) CUET-22 SLOT-1 Session
2) CUET-22 Mock Test Session
3) Supply Study Materials
3) CUET-CBT Practice Session
For details Please Contact : Co-ordinator, APOLLO ACADEMY
Kwakeithel Bazar near AMUCO Office, (7:00 am - 3:00pm), Contact No.-8258013846
HL-B/7608/5-12

PENSION LOAN
☞ Manipur গী State অমসুং Central Pensioner শিংগী ওইনা Pension Loan পীজরি।
☞ থাগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% অমসুং 2.85% p/m গী খূদোংচাবা পীজগনি।
☞ Loan লৌবীবা লাকপদা Pension Book, Passbook, Cheque Book অমসুং A.T.M. লোয়নবীগদবনি।
Please Contact :
M.M. Singh
L.G. Motors Building,
Khagempalli, Imphal
Mobile No. 9774495994
HL-B/7613/22/4-20/6

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 455

T. Rees - D. Hess
BdF-25 Cup corr BdF, 1971

1.c4 e5 2.Nc3 Nf6 3.g3 d5 4.cxd5 Nxd5
5.Bg2 Nb6 6.Nf3 Nc6 7.O-O Be7 8.a3 a5
9.Ne1 O-O 10.Bxc6 bxc6 11.d3 Bh3 12.Ng2 f5
13.Bd2 Qe8 14.e3 Rd8 15.Qb3+ Kh8 16.Na4 Nxa4
17.Qxa4 Rxd3 18.Rfd1 Qh5 19.Qc2 Rfd8 20.Ne1 Qe2
21.Nxd3 Rxd3 22.Qxc6 h6 23.Re1 Qxd2 24.Qe8+ Kh7
25.Qxe7..

**QUESTION :**
Black to win

**Puzzle 454 Ans. :**
30. ...Ra4+ 31. Ra5 Ra8+ The black rook skewers White's king and rook. 32. Kb6 R4xa5
32. ...R8xa5
30. ...Ra4+ 31. Ra5 Ra8+ 32. Kb6 R8xa5 33. Bb5 Ra2 34. Ne4 f5 35. Nc3 R2a3 36. Nb1 Rxb5+ 37. Kxb5 Rb3+ 38. Kc5 Rxb1 39. Kd4 Re1 40. Kd3 Kf7 41. Kd2 Re8 42. Kd3 Kf6 43.f3
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com